## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস) :
মোইরাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা ঈথৈ লৌখোং অমসুং মোইরাং তুরেলবু ঈচাউ লাক্লিঙৈদা এ সি অসিগী এম এল এ শরতচন্দ্রনা লুচিংদুনা তেমথোকপিখিবদগী চহী খুদিংগী ঈচাউনা লৌ, য়ুম অমসুং ইংখোল কয়া ঈশিং থুমজিনবদগী মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্নরম্বা অদু কোকহনবা ঙম্লে। মোইরাং তুরেল অমদি ঈথৈ লৌখোংশিং তেম-থোকপদা মতেং পাংখিবা মীয়াম অমদি লোকল এম এল এ বু ভারতিয়া জনটা পার্টি মোইরাং মন্দলনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না মন্দল অসিগী জেনেরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## কোয়লাস থাবা লোইশিনবীদ্রে

ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস) :
চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পল্লেল কৈথেলদগী জাফৌ কৈথেল ফাওবা কিলোমিটর ৫/৬ লোম শাংবা লম্বী অসি পি দব্লিয়ু দিনা কোয়লাস থাবা হৌরম্লগা ঙসি ফাওবা লোইশিনবীদনা থম্বীরে হায়রি।

খুঞ্জা খরনা পাউচেসিদা ফোঙদোরকপদা পল্লেল কৈথেলদগী জাফৌ কৈথেল ফাওবা কিলোমিটর ৫/৬ লোম শাংবা লম্বী অসি মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা পি দব্লিয়ু দিনা লম্বী শেম্বগী থবক পায়খৎলকখি। হায়রিবা লম্বী অসি জাফৌ কৈথেলদগী কোম্লাথাবী ফাওবদি কোয়লাস থাবা লোইরে অদুবু কোম্লাথাবীদগী পল্লেল কৈথেল ফাওবদি ঙসি ফাওবা কোয়লাস থাবা লোইশিন্দনা থম্বীরে হায়খি।

হান্না কোয়লাস থাখিবা লম্বী অদুসু হৌজিক নৌনা অমুক কায়বা হৌরকপগা লোয়ননা ফোৎপা অমুক য়ারে হায়রি। লম্বী অসি শেম্বা মতমদা লম্বীগী নাক-য়েৎতা লৈরিবা দ্রেনশিং অসি নিংথিনা শেম্বীরগদি নোংজু থাদা ঈশিং ঈচূম লাকপা মতমদা দ্রেনদা ঈশিং চিথখিদুনা লম্বীদা কোয়লাস থাবদা খরদি মপাঙ্গল কনগনি। অদুবু করিগুম্বা লম্বী অসি কোয়লাস থাবখক্তং তৌরগা দ্রেন চনবা য়াওদ্রগদি লম্বী শেম্বগী ৱাহন্থোক লৈরোই হায়না খুঞ্জা অমনা ফোঙদোরক্লি। মরম অদুনা ৱার্ক্স মিনিষ্টর অমদি পি দব্লিয়ু দিগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা অথুবা মতমদা লম্বী অসি কোয়লাস থাবা লোইশিনবীনবা আপিল তৌরক্লি।

## এক্স-কম্মান্দর রিজাইন তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ২০ : হৌখিবা চহীগী জান্যুৱারীদা জাইশ-ঈ-মুহম্মদকী টেররিষ্টশিংনা ফ্রন্টলাইন পথানকোট এয়রবেজদা থোমজিন্দুনা এটেক তৌখিবা মতমদা এয়রবেজ অদুগী কম্মান্দর ওইখিবা এয়র কম্মান্দর জে এস ধামূন থবক্তগী রিজাইন তৌখ্রে। আই এ এফকী ইনক্বারি অমনা মহাক অমসুং অতৈ অহুমবু এটেক অদু চথুরিঙৈ মনুংদুদা কম্মান্দ অমসুং কন্ট্রোল ফেল ওইখিবদা নত্তনা অতৈ অতৈ অশোয়বা কয়া লৈখি হায়না হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীখিবা মতুংদা ধামূন রিজাইন তৌখিবনি। গভর্ণমেন্টনা জান্যুৱারী অনীগী টেরর এটেক অদুগী মতাংদা মতীক চাবা কোর্ট ওফ ইনক্বারি (সী ও আই) অমা পাঙথোক্লবা হায়খিবনি। নিংশিংবা য়াই, সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খুৎলায় মতীক চানা পায়বা টেররিষ্ট মরি হাৎপদা নুমিৎ হুম্নি চঙখিবদা নত্তনা মখোয়গী পার্সনেল তরেৎসু টেররিষ্টশিংদুগী মখুৎতা মথৱায় থাখিবনি। মদুনা পাকিষ্টানগী বোর্দর মনাক্তগ লৈবা ফোরৱার্দ এয়রবেজ অদুদা তোঙান-তোঙানবা ওফিসলশিংগী অশোয়বশিং লৈখি হায়বা উৎখি।

## নৌনা পোষ্টিং পীরে

*লামায় ১গী মখা...* ট্রাফিক পুলিসকী এস পি ইন-চার্জগী থৌ পুরগনি। তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ইন-চার্জ এম মুবিনা জীরিবামগী এস পি ইন-চার্জ ওইরগনি। এম পি টি সীগী এদিসনেল এস পি ওইরম্বা পি মঞ্জিৎনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ইন-চার্জ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদিসনেল এস পি (ওপস) ডা. এস ইবোচানা এদিসনেল এস পি (ওপস)/মোরে অমসুং অহেনবা ওইনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ইন-চার্জ ওইনা পুরগনি অমসুং থৌবালগী এদিসনেল এস পি (ওপস) এন মোধুনিমাইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদিসনেল এস পি (ওপস) ওইনা থৌ পুরগনি হায়রি।


**GAS TODAY**

**IMPHAL LPG SERVICE**
*19kg Commercial Stk:180*

**ATHOKPAM INDANE**
Booking Upto:27/03/2017
Valid From:19/03/2017
*Stk: 612*
Timing: 07:00am -10:00am
*(Submit Aadhaar xerox)*

**KHUMBONG INDANE**
Booking Upto:18/04/2017
Valid From:17/04/2017
*Stk: 306*
Timing: 07:30am -10:30am


# শকখঙদবশিংনা ফারুবা ওইল টেঙ্করগী দ্রাইভর জেমস থাদোরক্লে

ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস) :
আসামগী ওইল দিপোদগী থাউ পুরগা অমদি সী আর পি এফকী ইস্কোর্টকা লোয়ননা নেসনল হায়ৱে নম্বর-২ দা ইম্ফাল তম্না থৌরকপদা শকখঙদবা খুৎলায় পায়বা মীওই খরনা থা অসিগী ১০ গী নুমিদাংদা খরখতিদগী খরা চৎলগা লৈবা দিমাপুরগী এরিয়াদা নমদুনা গাড়ী খামহল্লগা ফাদুনা পুখিবা মণিপুরগী দ্রাইভর জেমস থাদোরকপদগী ঙরাং নুমিদাং তেক্ত-কায়দনা ইম্ফালদা থুংলরে।

খুৎলায় পায়বশিংনা ফারুবা তখেল্লম্বম জেমস (৩০) ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চনম শন্দ্রোক ময়ায় লৈকায়দগী তখেল্লম্বম রাজেনগী মচানুপানি।

জেমসনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না থা অসিগী হৌখিবা ১০ গী নুমিদাংদা আসামদগী থাউ হাল্লগা সী আর পি এফনা ইস্কোর্ট তৌরগা ইম্ফাল তম্না গাড়ী থৌরকখি। মখোয়না খরখতিদগী খরা চৎলগা দিমাপুরগী ওইল পম্প অমগী মনাক্তা কার অমনা থৌরক্লগা গাড়ীগী মমাঙদা থৎচিল্লগা নমদুনা ওইল টেঙ্কর অদু খামহল্লগা দ্রাইভর জেমস ফারগা মখোয়না পুরকপা কার অদুদা হাপ্লগা পুখি হায়রি।

কার অদুদা খুৎলায় পায়বশিং অদুনা পুং ৩ রোম তোংদুনা আসামলোমদা থৌরবা মতমদা চীংগী খুল অমদা পুশিল্লগা অহিং অমা লেকখি। মথংগী অয়ুক্তা মহাক অতোপ্পা মী তাদবা চীংগী লৌতাংশঙ অমদা অমুক পুরগা থমখি হায়রি। খুৎলায় পায়বশিং অদুনা জেমসতা দ্রাইভর য়ুনিয়ন অমদি গাড়ী মপুগী টেলিফোন নম্বর হংলকপদা খঙদবদগী খরদি ফুখি হায়রি। মহাক খুৎলায় পায়বা মীওই মরি মঙারোম্না অদুম শেন্নদুনা থম্মী হায়রি।

মহাকপু ফারিবা কাঙবু অদু ‘কে’নদি হৌই। অদুবু চপ চানদি খঙদে হায়রি। জেমসনা নহান নুমিদাং চাক চাবা তোক্লবা মতুংদা মোটোর সাইকল অমদা হাপ্লগা খুল অমদা পুরকখি। খুল অদুদা ওটোরিক্সো অমা হান্না ঙাইদুনা লৈরমখি। ওটোরিক্সো অদুনা অমুক মহাক দিমাপুরগী ওইল পম্প অমগী ময়াদা থিল্লকখি। মতুংদা মহাক ঙরাং নুমিদাং ময়ুমদা য়ৌরকখি হায়রি।

# ভি দি এফ পার্সনেলশিংগী অৱাবা লৈঙাক্না য়েংবীয়ু

ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস) :
ভি দি এফ পার্সনেলশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা অমদি অৱাবা কয়া মায়োক্নরিবা অসি য়েংবীরগা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খন্নবীনবা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসন ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, এসোসিএসন অসিনা ভি দি এফকী য়াইফ থৌরাং কয়া চঙশিন্নবগীদমক এদভাইজর অনী ওক্রম প্রেমজিৎ অমসুং ওক্রম রোবিন্সনবু হাপচিন্দুনা পাকথোক-চাউথোকহনখ্রে।

ভি দি এফপু হেন্না পাকথোক-চাউথোকহন্নবা মীফম অসিদা ৱাফম কয়া খন্নখিবগা লোয়ননা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা নৌনা হাংদোক্কনি হায়রিবা হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স অমদি ষ্টেট ফোর্স লৌবা মতমদা শরুক মরি থোকপগী শরুক অহুম ভি দি এফকী মশা-মশাগা চানবা পোষ্ট য়েংলগা পীহন্নবা ৱাফম ফোঙদোক্লখি। রাইফলমেন লৌবা মতমদা হান্নগী ফিজিকেল ফিটনেস ওইরবা অমসুং বেসিক ট্রেনিং ফংদুনা লৈরবা ভি দি এফ পার্সনেলশিংদা খুদোংচাবা পীবীনবসু ফোঙদোরক্লি।

কুমজা ২০০৯ গী মার্চ ৬ তগী শুপ্নগী লুপা ৩০০০ খক তোলোপ ওইনা ফংদুনা অমদি রসন মনি ওইনা লুপা ৫৭৫ ফংদুনা লাকখি। ষ্টেট ফোর্সশিংগা মান্নবা মওংদা মথৌ পাঙথোকমিন্নদুনা লাক্লবসু ষ্টেট ফোর্সনা ফংলিবা এল আই সী, মেদিকেল, রিইম্বর্সমেন্ট অমত্তা ফংদনা লাকখি। অদুমওইনমক লো এন্দ ওর্দরগী থবক্তা ভি দি এফনা ষ্টেট ফোর্সকা মান্নবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। মসিগীদমক্তা ১৩ মন্থস পে লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীবীবসু লৈতে। লাইবক ফবনা চহী অসিগী জান্যুৱারী থাদগী লুপা ২০০০ গী তোলোপ হেনগৎহন্দুনা অমদি রসন মনি লুপা ১০০০ হাপ্পীদুনা থাগী তোলোপ লুপা ৭০০০ ফংদুনা লাক্লি। অদুবু ভি দি এফশিংনা ফংলিবা তোলোপ অসিমক্লা ইমুং-মনুং পুবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। মরম অদুনা ভি দি এফ পার্সনেলশিংগী খুদোংচাদবা কয়া অসি য়েংবীনবা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

# সেন্টরনা ষ্টেটশিংদা টোইলেটকী দাটা অপদেট তৌনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২০ : ওপন দিফিকেসন ফ্রী (ও দি এফ) ওইরে হায়না লাউথোকখ্রবা খুঙ্গং লাখ ২ গী মনুংদা মরি থোকপগী অমরোমগী মনুংদা লৈরিবা য়ুমশিংদি টোইলেট লৈরমদ্রে হায়না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পুথোরকপা ইন্টিগ্রেটেদ দাটানা ফোঙদোরক্লি।

অসিগুম্বা খেন্নবা কয়া লৈরিবা অসি য়েংদুনা দ্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটেসন মিনিষ্ট্রিনা অসিগুম্বা চানদবা কয়া লৈরিবা অসি চুমথোক্তুনা দাটাশিং অমুক হন্না অপদেট তৌনবা ষ্টেটশিং অদুদা খঙহনখ্রে।

য়ুম খূদিংগী তোঙান-তোঙানবা লেট্রিন লৈরে হায়না খুঙ্গংশিং অদু ওপন দিফিকেসন ফ্রী ওইরে হায়না লাউথোকখিবনি। স্বাছ ভারত খোঙজংগী ফ্লেগশিপ প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ২০১৯ গী ওক্টোবর ফাওবদা লৈবাক অসি শিনবা থুংনা ওপন দিফিকেসনগী থৌওং অসি লৈহন্দনবা লৈঙাক্না খ্বাইদগী অহানবা থৌদাং ওইদুনা থবক পায়খৎলিবনি।

হন্দক্তা ষ্টেটশিংগী সেনিটেসন মিনিষ্ট্রিগা পাউফাওনবদা ওপন দিফিকেসন ফ্রী ওইরে হায়না লাউথোকখ্রবা খুঙ্গং ৬,০৫,৮২৮ গী মনুংদা চাদা ৩৩ ওইরিবা খুঙ্গং ৫২, ৫৯৩ গী চম্মাদা ১০০ ইন্টিগ্রেটেদ মেনেজমেন্ট ইনফোর্মেসন সিষ্টেমনা ফোঙদোরকপদা ওপন দিফিকেসন ফ্রী ওইরমদ্রে।

অসুম্না দিষ্ট্রিক্ট ওফিসলশিংদা চাদা ১০০ ওপন দিফিকেসন ফ্রী ওইহন্নবা খঙহনখ্রে। চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা মরী লৈনবা ষ্টেটশিংনা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা খঙহনখি।

ইন্টিগ্রেটেদ মেনেজমেন্ট ইনফোর্মেসন সিষ্টেমগী মতুং ইন্না মপূং ফানা থবক পাঙথোক্লবা মতুংদা মেনেজমেন্ট টিমনা য়েংশিনবা য়ানবা খঙহনখি।

আই এম আই এসকী দাটাগী মতুং ইন্না খুঙ্গং ৫২,৫৯৩ গী ইমুং লাখ ৪১ রোমগী ময়াদা মশা-মশাগী লেট্রিন লৈরমদে। পঞ্চায়ট অমসুং খুলগী লুচিংবশিংনা কন্না থৱায় য়াওশিন্দুনা টোইলেট শানবা তকশিনবনা মরম ওইবনা খুঙ্গং কয়া ওপন দিফিকেসন ফ্রী ওইহনবা ঙমখিবনি হায়রি।

# থবক্তগী পোখারবা কলকট্টা হায় কোর্টকী জজ সী এস কর্নান ফারে

কোইম্বেতোর, জুন ২০ (এজেন্সী) :
মে ৯ দগী হৌনা লোৎতুনা লৈরকখিবা থবক্তগী পোথারবা কলকট্টা হায় কোর্টকী জজ সী এস কর্নান কোইম্বেতোরদা ঙসি ফাখ্রে।

কোর্টপু শীংনবগী মরালদা সুপ্রিম কোর্টনা থা ৬ কৈশুমশঙদা থম্নবা ৱায়েল পীখ্রবা মতুংদা মতম শাংনা লোৎতুনা লৈরকখিবা জষ্টিশ সী এস কর্নানগী উকিল মেথিয়ু জে নেদুমপারানা হায়খি মদুদি, নুমিৎ নীনি হুম্নিগী মমাঙদা টামিল নাদুদা কোয়বা চৎখিবা কর্নানবু ঙসি কোইম্বেতোরদা ফাখিবনি।

পুলিসনা মহাকপু অথুবা মতমদা কোলকাটাদা পুরক্লগনি হায়রি।

সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিশ জে এস খেহরনা লুচিংবা জজ তরেৎকী বেঞ্চ অমনা জষ্টিশ কর্নানবু কন্টেম্পট ওফ কোর্টকী মরালদা কনভিক্সন পীবগী মরম চপ চানা পীফম থোকই হায়না মেথিয়ু নেদুমপারানা মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা মে ৯ দা ৱায়েলশঙ মশেলগী মরক্তা অঙম তান্নবগী থৌওং অমদা সুপ্রিম কোর্টনা জষ্টিশ কর্নানবু ফারগা থা ৬ কৈশুমশঙদা থম্নবা ৱায়েল পীখিবনি।

মদুগী মমাঙদা জষ্টিশ কর্নাননা চীফ জষ্টিশ জে এস খেহর অমদি সুপ্রিম কোর্টকী অতোপ্পা জজ তরুকপু সেদ্যুল্ড কাষ্ট/সেদ্যুল্ড ট্রাইব এক্টকী মখাদা চহী ৫ জেলদা থম্নবা ৱায়েল পীখি।

কর্নানগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা চীফ জষ্টিশ জে এস খেহরনা লুচিংবা সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চনা হায়খিবনি মদুদি, মিদিয়াদা কর্নানগী ৱারোল অমত্তা ফোঙবা য়ারোই।

ৱায়েলশঙগী য়াথং থৌশাদবা কোলকাটা হায় কোর্টকী জষ্টিস সী এস কর্নানবু কন্টেম্প্ট ওফ কোর্টকী মরাল লৈরে হায়না লাউথোক্লদুনা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অমনা মহাকপু থা ৬ জেলদা থম্নবা খঙহনখিবনি।

জষ্টিস কর্নানবু খুদক্তা ফানবা য়াথং পীরদুনা এপেক্স কোর্টনা হায়খি, ৱেষ্ট বেঙ্গল পুলিসকী দিরেক্টর জেনরেলনা কোর্টকী য়াথং থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক অখন্নবা টিম অমা শেমগদবনি।

ইন্দিয়াগী চীফ জষ্টিস অমদি এপেক্স কোর্টকী অতোপ্পা জজ তরেৎ লোয়ননা মাদ্রাজ হায় কোর্টকী জজ অমগী মায়োক্তা মরম চাদবা ৱাফম ফোঙদোকখিবগীদমক জষ্টিস কর্নান মরাল লৈরে হায়না পল্লদুনা চীফ জষ্টিস জগদিস সিংহ খেহরনা লূচিংবা জজ তরেৎকী কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমনা হায়খি, কর্নানগী ষ্টেটমেন্ট অমত্তা ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং প্রিন্ট মিদিয়াদা ফোঙবা য়ারোই।

জষ্টিস দিপক মিস্রা জষ্টিস জে চেলামেশ্বর, জষ্টিস রঞ্জন গোগোই, জষ্টিস মন্দন বি লোকুর, জষ্টিস পি সী ঘোস অমদি জষ্টিস কুরিয়ন জোসেফসু য়াওবা বেঞ্চ অদুনা হায়খি, লৈবাক্কী ৱায়েল থৌদাদা খুৎ থিংজিনবগীদমক কন্টেম্পট ওফ কোর্টকী মরাল লৈরবা জষ্টিস কর্নানবু থা ৬ জেলদা থমদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি।

পনবা য়াবদি এপেক্স কোর্টনা জষ্টিস কর্নানবু কন্টেম্পট কেস অমগা মরী লৈননা বেল লৌবা য়াবা ৱারেন্ট অমা ইস্যু তৌবা লৈখ্রবনি। কোর্টতা মশা লাক্লগা কন্টেম্পট প্রোসিদিং লৌখৎলোইদবগী মরম পীরনবা খঙহনখিবদা মশা লাকউ য়াদবদগী ৱারেন্ট ইস্যু তৌখিবনি। মার্চ ৩১দা লৈবাক অসিগী জুদিসল হিষ্ট্রিদা অহানবা ওইনা জষ্টিস কর্নাননা সুপ্রিম কোর্টতা লাকখিবগা লোয়ননা মতুং তারকপদা অমুক হন্না কোর্ট কারকপা ঙম্নবগীদমক মহাক্কী মতিক ময়াই হঞ্জিনহনবীয়ু হায়না ৱাকৎখি। করিগুম্বা মহাকপু ফারগা জেলদা থম্বা থোক্লবদি অমুক হন্না কোর্ট কারক্লোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## লৌফম কন্নবা থবক পায়খৎলগনি...

*লামায় ১গী মখা...* মণিপুরগী পীকখ্রবা লৌ উবা য়াবা লৌফমশিং অসিদা মখল কয়াগী বিল্ডিংশিং অমদি শাজিল্লক্লিবা কয়া অসি নীংথিনা য়েংশিনমিন্নবা মতম ওইরে। লৌউ-শিংউগী থবক তৌবা য়ারিবা লৌফমশিং অসি ঙাক্না থম্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এগ্রীকলচর মিনিষ্টর ভী হংখালিয়ননা হায়খি, লৌউ-শিংউগী পোত্থোকশিং কুমজা ২০২০ ফাওবদা দব্বল হেনগৎনবা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙলি। সেন্টরনসু হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লকপগা লোয়ননা লৌউ-শিংউগী পোত্থোকশিং অসি হেনগৎনবগীদমক থৌরাং কয়া পায়খৎকদৌরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা কম্মিস্নার রেভিন্যু টি ঐচ চিত্তরঞ্জনসু দেজদা ফমখি। এগ্রীকলচর দিপার্টমেন্ট, এল দি এগী ওফিসারশিং, রেভিন্যুগী ওফিসলশিং, দি সীশিং অমদি লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা লোয়শঙ কয়াগী ওফিসলশিংসু ইনটরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াদুনা পেদিলেন্দ অমদি ৱেটলেন্দ কন্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## লমগী খৎনবদা নুপী মরি শোক্লে, য়ুম...

*লামায় ১গী মখা...* মতমদা খুঞ্জাশিংনা কর্ফিয়ু থম্লে, অতোপ্পা খুলগী মীওই চঙবা য়াদে হায়না মাইকতা লাউথোকখি।

খোয়শাওনরবা খুঞ্জাশিংনা খুলদুদা চঙশিল্লুবদা নোংমৈ কাপথোরকপদগী নুপী মরি শোকখিবনি। খোয়শাওনরবা খুঞ্জাশিংনা খোদৈ মরিং খুলগী য়ুম মরিসু মৈ থাখি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা তেংনৌপল পুলিস আউট পোষ্টকী পার্সনেলশিং অমদি ১৮-শুবা আসাম রাইফলসকী কাঙবুশিং লাক্নুনা ঈরাং অদু লাকশিনখি। মখা তানা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা মফম অদুদা হৌজিক তেংনৌপল দি সীনা সী আর পি সীগী মখাদা ধারা ১৪৪ থমদুনা নাকল অনীগী মীওইশিং চঙবা থিংখ্রে।

খুঞ্জাশিংনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, চরাংনাৎ হায়রিবা মফম অসি মচী খুলগী খুঞ্জাশিংগী মহৌশাদগী লৌ উদুনা লাক্লবা মশাগী লৌফমশিংনি অদুবু খোদৈ খুল হায়রিবা মফম অসিদা নৌনা লাক্লিবা ফিঙাং শেৎপা মরিং কাঙবু অসি খুল অদুদা লাকপা চহী ১০ ফাদ্রি। অদুবু মখোয়না মচী খুলগী খুঞ্জাশিংগী লৌফম অদু মখোয়গীনি হায়না ক্লেম তৌরকপগা লোয়ননা মুন্নবা হোৎনরকপ থৌওং অদুবু খুঞ্জাশিংনা য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক মচীদা লৈরিবা পুলিস আউট পোষ্ট অসি পার্সনেল খরা য়াম্না থমহন্নিংই। মচীগী খুঞ্জাশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপা অমদি ফুরকপা মীওইশিং অদু পুলিসনা অথুবা মতমদা ফারগা লোগী মতুং ইন্না চৈরাক ফংহনবীনবা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা মচী খুলগী খুঞ্জাশিংনা তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন অমা তৌখ্রে হায়রি।

## চাউখৎনবা পুন্না হোৎনমিন্নবগী...

*লামায় ১গী মখা...* অফবা পুরক্লবা হোৎনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি। পল্লেল-চান্দেল লম্বী শেম্বগী থবক্তা ক্বালিটি মেন্টেন তৌরমদবা উবদা মিনিষ্টরনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চান্দেলগী দি সী কৃষ্ণকুমার, এস পি চান্দেল কামৈ অঙম অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসার কয়াসু শরুক য়াখি। মসিগী মমাঙদা আই এফ সী মিনিষ্টর লেটপাওনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল চান্দেলগী শেমগৎ শাগৎপগী ফীভম য়েংশিনখি। চান্দেলগী মিনি ষ্টেদিয়মগী ফীভমসু য়েংশিনখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## ‘এদ্যুকেসন সেক্টরদা ফন্দগী...

*লামায় ১গী মখা...* লৈঙাক অসিগী নুমিৎ ১০০ নি শুরক্কদৌরে। অদুবু নুমিৎ ১০০ নি শুদ্রিঙৈ চৈরক অসিদা চিফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বীরেননা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিনা লমদমসিদা ঈং-তপ্পা, অমগা অমগগী মরক্তা নুংশি চান্নবা, তংদু-লৈতাবা অমদি লৈরিবা লৈঙাক অসিদা মীয়াম্না থাজবগী চাং ৱাংখৎলে। মীয়াম্নসু হৌজিক্তি লৈঙাক্লোন অসিদা থাজবা থম্লক্লে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু শেঞ্জা থুমজা লৈতবা লৈঙাক্লোন অমা মীয়ামদা ফংহল্লে। চুড়াচান্দপুরগী ইস্যু, ব্লোকেদকী ইস্যু লোইশিনবতা নত্তনা বন্দগী চৈথেঙসু ফংহনদ্রে। লৈঙাক অসিগী নুমিৎ ১০০ শুদ্রিঙৈ চৈরক অসিদা থাজরুদবা কয়া থবক্তা ওন্থোরক্লে। পুম্নমক অসি মীয়াম্না নীংথিজনা লৈঙাক অসিদা সপোর্ট তৌবননি। মরম অসিনা লমদমসিদা অফবা অওনবা অমা পুরক্ল বগীদমক্তা লৈঙাক্না মীয়ামনা থাজবা থম্বিয়ু।

লমদমসিগী মীয়াম্না হৌখিবা চহী ১৫ রোম অসিদা মাঙলুরবা থাজবশিং ঙসিগী অনৌবা লৈঙাক অসিনা ফংহনবা ঙম্লে। মখা তানসু লৈঙাক অসিনা শোইদনমক্কী থবক তৌগনি। হৌজিক্তি অনৌবা লৈঙাক অসি লাকপদগী ঈং তপ্পা অমদি তংদু লৈতাবা ফীভম অমদা লৈবা ঙম্লে খল্লি। মতম চুপ্পগী অসিনা ঙসিগী চাউখৎপা মণিপুর অমা ওইহন্দুনা তংদু লৈতাবা ফীভম অমদা হৌরকহনবা হায়নসু মানা মখা তানা ফোঙদোকখি।




HL-B/3883/10-24/6

# অরুনোদোয় : কনেক্টিং নোর্থ ইষ্ট কনক্লেব পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস) :
অরুনোদোয় : কনেক্টিং নোর্থ ইষ্ট হায়না মিংথোনবা অহানবা কনক্লেব অমা দিল্লিদা লাক্লিবা ওগষ্ট ২৬ অমসুং ২৭ তা নুমিৎ নীনি চুপ্না পাঙথোক্কনি হায়রি।

নুমিৎ নীনি চুপ্না পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা মরুওইনা অৱাং-নোংপোক লমদমগী মরী লৈনবা ইস্যুশিংদা খন্ন-নৈনবা, দিবেট পাঙথোকপা, একাদেমিকশিংগী কলচরেল প্রোগ্রাম অমসুং জর্নেলিষ্ট-শিংগা উনবগী প্রোগ্রাম য়াওরি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা এসে কম্পিটিসন অমসু পাঙথোক্লি। কেটগরি এ হায়না ক্লাস নাইন অমসুং টেন, কেটগরি বি হায়না ক্লাস এলেভেন অমসুং টুয়েল্ব অমদি কেটগরি সী হায়না গ্রেজ্যুয়েসন অমসুং মসিগী মথক্কী মহৈরোয়শিংগী ওইনা পাঙথোক্কনি।

অহানবা কেটগরিগী টোপিকনা এক্ট ইষ্ট পোলিসি এন্দ জোব ক্রিয়েসন ইন দ নোর্থ ইষ্ট হায়বা অসিনা গ্রেজ্যুয়েট অমসুং পোষ্ট গ্রেজ্যুয়েট লেবেলগীনি। লোয়ননা ফাইব আইদিয়াস হ্বিচ ৱুদ লিদ টু এ প্রোস্পরস দিভলপদ্ নোর্থ ইষ্ট বাই ২০৩০ হায়বা অসিনা কেটগরি অহুমক্কী টোপিকনি। মেন এন্দ দ ফোরেষ্ট পিছফুল কোএকজিষ্টেন্স, এঞ্জিন ওফ গ্রোথ ওর এদভর্সরিজ ইন দ কন্টেক্স ওফ দ নোর্থ ইষ্ট হায়বসিদা পুন্নমক্না শরুক য়াবা য়াগনি।

এসে অসি ৱাহৈ ৩০০০গী ওইগদবনি অমদি ওগষ্ট ১ ফাওবগী মনুংদা ne.conclave17@gmail.com দা ইমেল তৌরকপা নৎত্রগা সুভরংসু প্রটিম শর্ম্মা, সী ও রাজেশ গোৱালা, অসাম ভবন-১, সর্দার পটেল মার্গ চানক্যপুরী, দিল্লি ১১০০২১ দা পোষ্টতা থারকপা য়াগনি হায়রি।

লাক্লিবা ওগষ্ট ২৭ তা পাঙথোক্কদবা এন ঈ কনক্লেব ন্যু দিল্লিগী প্লিনরি সেসনদা এসে কম্পিটিসন অসিগী ৱিন্নরশিংদা কেশ প্রাইজ অমসুং সর্টিফিকেট ওফ মেরিট য়েন্থোক্কনি।

ফোটোগ্রাফি কন্টেষ্ট অমসু থৌরম অসিগা মরী লৈননা পাঙথোক্কনি। ফোটোগ্রাফি কন্টেষ্ট অসিগী থিমনা লাইফ ইন দ নোর্থ ইষ্ট হায়বসিনা ওইগনি। লাক্লিবা ওগষ্ট ১০ ফাওবগী মনুংদা এদ্রেস অসিদা ইমেল থারকপা য়াগনি।

ওগষ্ট ২৭ কী নুমিৎয়ুংবা মতুংগী সেসনদা এ সেপরেট টাইম জোন ইজ নোট ওনলি নেসসরি বট এন ইমপোর্টেন্ট কন্দিসন ফোর ইকনমিক দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্ট হায়বা অসিদা দিবেটিং কম্পিটিসন অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

# ময়াই কাবা চীঞ্জাক্না পীবা চৈথেংগী মরমদা খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস) :
নোংচুপ ইম্ফাল মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ অমসুং মোইদাংপোক খুনৌ শজিরোক অপূনবা নুপী লূপ অনীনা পূন্না খূৎশম্নদুনা মোইদাংপোক খুনৌ ৱেষ্টর্ন মোদর্ন ক্লব গ্রাউন্দদা ঙরাং নুংথিল মণিপুর খুন্নাইদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্না পীবা চৈথেং হায়বা থিম অসিদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা নিমপালগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ ইবেয়াইমা, ঈ ঙান্থোই, প্রসিদেন্ট মোইদাংপোক খুনৌ শজিরোক অপূনবা নুপী লূপ, এস নবকুমার জিল্লা পরিষদ য়ারৌ বমদিয়ার, পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী ও সী ইদেন, টি ঐচ ভন্ত্রীর প্রধান মোইদাংপোক গ্রাম পঞ্চায়টনচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

রিছোর্স পার্সন ওইনা কাদাগী প্রসিদেন্ট এদভোকেট ৱাই রতন অমসুং লৈমকোলগী প্রসিদেন্ট এম সী রিতানা ৱা ঙাঙখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা নিমপালগী সেক্রেটরি জেনরেল এস শান্তি লৈমনা হায়খি, মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট, ১৯৯১ দা চৎনরবা দ্রাই ষ্টেটনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং ঙসি ফাওবদা অসুক শাংলবা মতম অসি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা থবক ওইনা পাঙথোকপীরক্তবা অসি খুন্নাই অসিগী অচৌবা মাঙজবনি। মসিগী মথক্তা লৈঙাক্না য়ু শুংববু লিগেলাইজ তৌনবা হোৎনদুনা মণিপুরদা য়ু শুংলগা মপান্দা থাদোক্তুনা ইনকম লাক্লবা হোৎনরকপা অসি মণিপুর মীয়ামগী য়াম্না লাইবক থীবনি। মরমদি হৌজিক খুন্নাই অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক পুম্নমক্কী তুংনফম ওইরবা মফম অসিদা অমুক্কা হেন্না য়ু শুংবগী চাওরবা মফম ওইবা তারবদি মণিপুর খুন্নাই অসি মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে।

রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাঙখিবা এদভোকেট রতননা হায়খি, ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কা মরী লৈনরিবা এক্টশিং মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা চঙই। লো ঙাক্লিবা অমদি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোইশঙগী মীওইশিংনা থম্মোয় শেংনা খুন্নাই অসিবু কন্নীংবগী ৱাখল্লোনদা মথৌ পাঙথোকহনবা তাই। ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কা মরী লৈনবা কেসশিং অথুবদা লোইশিন্দুনা মরাল লৈবশিংগী মথক্তা মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

# ফাগৎলবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং ফুদ সেফটিগী টিমদা খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফরূ, জুন ২০:
সিটি পুলিসকী ওফিসর ইন চার্জ সুধিরনা লুচিংবা টিম অমনা মীওই অনীদগী লুপা লাক্ষ ২,২৭,৮৬৪ রোমগী ওইগদবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং ফাগৎলবা তুংদা ঙসি ফুদ সেফটিগী টিমদা খুৎশিন্নরকখ্রে।

হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু বিহারদগী লাক্লগা হৌজিক হৌজিক কাখুলোংদা অশানবা কা ৱাইদুনা লৈবা মীওই অনীদগী ফাগৎখিবনি। মীওই অনী অদুদি তাকুর রাই অমসুং সুরেশ দাস কৌই। মখা তাবা এক্সন লৌখৎননবা মখোয় অনীদগী ফাগৎলবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু ফুদ সেফটি ইনর্ফোসমেন্ট ৱিং ইম্ফাল ৱেষ্ট টিমদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা ঙসি ফুদ সেফটি ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেজিগ্নেটেদ ওফিসর ৱাই সৈত্যজিৎকী মীৎয়েং মখাদা ফুদ সেফটি ইনফোর্সমেন্ট ৱিং ইম্ফাল ৱেষ্টকী টিম অমনা আলু গলি, ধর্ম্মসলাদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা দুকানশিংদা দ্রাইভ চথখ্রে। দ্রাইভ অদুদা মীওইবগী হকচাং শোকহনবা য়াবা মোরেরোমদগী পুশিল্লকপা পোৎলম কয়া য়োল্লম্বশিং ফাগৎখ্রে। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু চাউরাক্লা লূপা লিশিং ১১ রোমগী ওইগনি।

ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা নুমিৎলৈ মরূ পেকেটশিং, মিষ্টর বিন ইস্নেক চানবা পোৎলমশিং, কোটেদ পিনদ মিল টেব্লেট, টিন ফিস, জুস বট্টল অমদি হিদাক মনাগী পোৎলম ওইরিবা বাবা ব্লেক্নচিংবা কয়া য়াওরি।

## দাশবোর্দ হৌদোকখ্রে

*লামায় ১গী মখা...* দাশবোর্দতগী ভীদিও কনফরেন্স তৌদুনা উখুলগী দেপ্যুটি কম্মিস্নারগসু ৱারী শানখি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং দি সীনা ভীদিও কনফরেন্স অদুদা তোঙান তোঙানবা পায়খৎপা লোইদ্রিবা প্রোজেক্টশিং অমসুং চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংগী মরমদা ৱারী শানখি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ২১-০৬-২০১৭, য়ুমশকৈশা, ইঙাগী ২৭ নি পানবা, নুমিদাংগী পুং ৭.৪১ দগী ২৮ নি পানবা, যোগিনি মায়কৈদি সনথোঙ, নুমিদাংগী পুং ৭.৪১ দগী মখা।

**মেষ ঃ** লন চঙবা লৈগনি, শাওনিংবা ফাওবা, মরূপ্না য়েক্নবা ওইবা মতাংনি, পূক্নিং ফাথবা ফৈ।
ললোল ঃ অচা-অথক্কী কান্নগনি, চাউখৎপা লৈগনি।
পাখং-লৈশা ঃ পূক্নিং লাংগনি।
হকচাং ঃ খ্বাঙ, শরূদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হীগোক, ঘী।

**বৃষ ঃ** মরী মতাদগী নুংঙাইজবা পাউ লাকপা, ৱাখল নুংঙাইবা পীবা, ইচা-ইনাওগী মতেং ফংগনি।
ললোল ঃ অরঙবা পোৎ-চৈদা কান্নজবা, থবক মফম চাউখৎপা লৈ।
পাখং-লৈশা ঃ নিংবা থুংগনি, পাউথোকপা লৈগনি।
হকচাং ঃ খ্বাঙদা নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, শঙ্গোম।

**মিথুন ঃ** মথক থোংবা মীওইদগী খঙহৌদনা কান্নজবা পীরকপা লৈ, অকাওবা লাকপা পীগনি।
ললোল ঃ চাউখৎকনি, য়েক্নবা য়ামগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লৈতাফম খঙলোই।
হকচাং ঃ মীৎ মৈগী শাহুম লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চীনি অঙাঙবা।

**কর্কট ঃ** ইমুং-মনুংদা থৌদোক থোকপা, কান্নজবা পীবা, খঙহৌদনা শেল চৎননবা মতম অমা লাকপা লৈগনি।
ললোল ঃ অনৌবা থবক হৌবা য়াই, কান্নবা লৈগনি।
পাখং-লৈশা ঃ পূক্নিং লাংগনি।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, ঘী।

**সিংহ ঃ** লাংতক্নবা, পোৎমাঙ চৈমাঙবা লাকপা, থবক মফমদা অয়েৎপা লাকপা লৈ।
ললোল ঃ ঈশিংগী পোত্থোক্তা চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ ঈকায় নুংশি য়ান্নগনি।
হকচাং ঃ কোক মায়দা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।

**কন্যা ঃ** কান্নজগনি, চাউখৎপা লৈগনি, শেল চৎপদি য়ামগনি।
ললোল ঃ য়েক্নবা য়ামগনি, অরূ-অনানগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মুক্নবা লাক্কনি।
হকচাং ঃ ঙক খৌরি নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হীগোক, থোইদিং অঙৌবা।

**তুলা ঃ** শাওনিংবনা অকায়বা ওইরকপা লৈগনি, ইমুং-মনুং লাংবা, লমদা চৎপা লৈ।
ললোল ঃ মাঙবনা হেল্লি, চীঞ্জাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অশাওবা মাঙওইনৈ।
হকচাং ঃ শরূ-মীৎতা নুংঙাইতবা।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অমুবা, লৈ অমুবা।

**বৃশ্চিক ঃ** অৱা-নুংঙাই য়ান্নগনি, য়ুমগী থবক্তা পূক্নিং লাংগনি, মরূপ-মপাংনা নুংশিবীগনি।
ললোল ঃ মৈগী পোৎলম কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ লাপ্লম্বনা নকশিন্নগনি।
হকচাং ঃ খোনদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হীগোক, চা চন্দন।

**ধনু ঃ** তৌজরূবদা থবক্তা কান্নজগনি, মীনা সন্মান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি।
ললোল ঃ অনৌবা থবক লাক্কনি, সনা-লুপাগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

**মকর ঃ** চরাংনবা লৈগনি, অকাওবনা পোৎমাঙ চৈমাঙ লাকপা লৈ, পূক্নিং ফাথবা ফৈ।
ললোল ঃ চাউখৎপা, হীদাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চানবা হেনগনি, থাজনগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরীদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।

**কুম্ভ ঃ** অপাম্ব থবক্ত অয়েৎপা লৈ, মথক থোংবগা মুক্নবা, খোয়শাওনবা পীবা ওইরি।
ললোল ঃ থবক্তা অহোংবা লাকপা, হীদাক্কী থবক চানৈ।
পাখং-লৈশা ঃ পূক্নিং লাংবা, ঈকায়বা নংগনি।
হকচাং ঃ মচেক-ময়া পানবগী শাহুম লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হীগোক।

**মিন ঃ** খুৎক চীনগা মান্নদবা লৈগনি, ৱাখল নুংঙাইবা, তৌরূবা থবক্ত অয়েৎপা লৈ।
ললোল ঃ সনা লুপা, ফিরোলগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ কোক, খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হীগোক।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।